# বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি নোৰ্ঠ ইষ্টতা কাঙখোঙ চাইহন্নবা, মীশি মীনা থোকহন্নবা থবক তৌই ঃ ইবোবি

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

অটল বিহারি ভাজপায়গী লৈঙাক্কী মতম অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৫ গী মতমদা লৈবাক অসিগী অমসুং অৰাং নোংপোক লমদমগী করি তৌরমখ্রবগে হায়বদু ভোট থাদরমদাইদা নৈনবা চংই। সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাকপু লৈরবদি নোৰ্ঠ ইষ্টতা কাঙ খোঙ চাইবা অমসুং মীশি মীনা থোক্কদবা থবক তৌহল্লি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ও ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোং খা মমাঙ লৈকাইদা পাঙথোকপা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনাম নবকিশ্বরগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক হেক পায়রবদি মীশি মীনা থোক্কদবা থবক হেক হেক তৌই।

ভাজপায়না লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদা সিজ ফয়ার এক্সতেন্সন তৌরকপদগী জুন ১৮ গী থৌদোক থোকখি। সিজ ফয়ার নাগালেন্দখক্তদা চৎনগদবা অদু মণিপুর তান্নরমদনা ৱিদাউঠ টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়রকপদগী মীশি মীনা থোকখিবনি।

হৌজিক অমুক নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাকপদগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রিমেন্ট হায়না খুৎয়েক পীনদুনা হৌজিক করিগুম্বা অমত্ত ফোঙদোক্তনা লৈরিবনি। মসিদা বোম য়াওরিব্রা করি য়াওরি খঙবা ঙমদা লৈরি।

কোংগ্রেস পার্টিনসু এন এস সি এন–আই এমগী চখরিবা থবক থৌরমশিং অসি পেন্দবা ফোঙদোক্লি হায়খি। বি জে পিনা লিশাং শিংনা মীয়ামগী মায়েক্তা থবক কয়া চখদুনা লাক্লি।

লৈবাক অসিগী হৌখ্রবা লুচিংবা কয়ানা তুংগী চারোল শুরোলগীদমক কন্সটিট্যুসনদা সেক্যুলারিজমগী ৱাফম হাপচিন্দুনা লৈরিবনি। মীখল অসিদা অশুক য়াম্না মচিন থিদুনা মীয়ামদা উৎ চায়রিবা অসি চেকশিনবা তঙাইফদে।

ঐখোয়না ইশাগী মীরেপ খনবদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমগদবা মী থিবা মতম ওইরে। ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা থৌবাল, ৱাংখেম অমসুং লিল্লোং কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি ইন্নরদা য়াওরিবনি।

কোংগ্রেসকী মীরেপ অসিনা মায় পাকহন্দুনা ভোট লাক্ষ ৩ দগী তাদনা হেল্লগা মায় পাকহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অসিনা চখরিবা থবকশিং অসি মীয়ামদা খঙহনবা চংই। বি জে পি লৈঙাক্না দেমোক্রেসি অসি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা ইন্দিয়া অসি দিক্টেটরগী লৈঙাক লাক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈ।

লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুস্নেল ইন্দটিট্যুসনশিং অসিদা খুৎ থিংজিনবগী থবক চখদুনা লাক্লি। প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ানবা তৌরিব্রা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা য়ানবা তৌরিব্রা মণিপুরদসু কোংগ্রেসগী মীরেপ নবকিশ্বর অসি চহী কয়া লিশাং শিংনা থবক শুমিন্নদুনা লাকখ্রে।

পোলিতিক্স তৌমিন্নবা মশেলনি, হায়নিংবা হায়জৌ, ঐঙোন্দা টার্গেট তৌবদা তৌরিব্রা মতম খরা মতেক খর চীফ সেক্রেটরি ওইনা পুরম্বা অদুদা এম দি এসতা পুরম্বা অদু শেল লান্না শিজিন্নরম্বা লৈরম্লবা, ঐ ইশাসু লুপা অমা লান্না শিজিন্নে হায়রবদি মসি চয়োল অমদা থিদোকপা য়াবা ঙাক্তনি।

এম দি এসকী শেল কায়থোক কায়শিন তৌরিবা অসি ষ্টেট বেঙ্ক একাউন্টতগীনি। মখোয়না থম্মোয় শেঙনা থবক তৌবা ওইরবদি থিদোক্লোদনা। ঐনা অরানবা তৌরবা, নবকিশ্বরনা অরানবা তৌরবদি কনানসু কনবা ঙগ্রোই। ইরাল লৈরে হায়রবদি জেলদা থমগেরা, ফাসিঁ তৌগেরা শেম শাদুনা লৈরিবনি। অদুবু কেস অসি হৌজিক য়েথোক য়েথোক্তুনা লৈরি।

এম দি এস স্কাম থিবগী থিজিনবগী থবক অসি থুনা লোইশিনবীরো হায়রিবনি। ঐঙোন্দা টার্গেট তৌবদা কায়দে, পীনিংবা চৈরাক পীবা য়াই, ঐঙোন্দা টার্গেট তৌরগা ওফিসারশিং য়াওহনবসিদি তৌহৈদবনি। মরাল লৈরবদি কনসি হায়বা নত্তে।

লৈঙাক পায়বা পায়বা মতমদা কেস পংপান্দা পানশিল্লগা প্রমান পুথোরকউ হায়বদা পুথোকপা ঙমদ্রবদি চোপ্লগদৌরিবনি। ওইদা পাদবা হায়জিনবা অসি তৌহৈদবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া মণিপুরদা লাকখিবা, এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলরগী মথক্তা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা চিংনবা অমা লৈরে হায়দুনা হায়রবনিনা অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিতা পুথোকপগী মহুত্তা অঙম তান্দুনা এম য়ুদা থমজিনবদগী কোর্টনা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী পুন্সি কন্নবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওলনহনলম্বা অসি মাঙহনগদৌরে হায়না কোর্টনা এদমিনিষ্ট্রেটর কম ভাইস চাঞ্চেলর অমা হাপ্লম্বা অসি ইকাইনিঙাই নৎত্রবা।

বি জে পিগী ষ্টেট লৈঙাক অসিনা সেন্টরনা মরি ফৈ হায়দুনা চিন্দনা লাওরগা শোমদা ষ্টেটনা হায়বা ৱাফম সেন্টরনা তাবিদনা মতম চানা এক্সন লৌরক্তবা অসি অঙকপা ফাওই।

লৈঙাক্তা কোর্টনা খুৎ থিংজিল্লকপা অসি লৈঙাক অদু ইকাইনিঙাই নৎত্রা হায়খি। ষ্টেট লৈঙাক্কী চহী অনিগী এচিভমেন্টতি এম য়ুদা অহিংনোংয়াইদা টিয়ার গ্যাস সেল কাপশিন্দুনা মহৈরোইশিং ওজাশিং ফাবা, ফারগা জেলদগী হোস্পিতালদা চেকঅপ চৎপদা মখুত্তা হেন্দকপ চল্লগা পুবা অসি মখোয়গী এচিভমেন্টনি হায়রি। মরম অসিনা মীয়াম নুংশিনদবনা তৌবা লৈঙাক অসি পারা তম্বীবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম য়াওনা পার্টিগী লচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# ‘ইশা নুংঙাইনবগী মহুত্তা মীয়ামগী নুংঙাইনবা খনবা তাই’

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

লৈঙাক চুপ্লি মতম শাংনা পায়গে হায়রবদি ইশাগী নুংঙাইনবা খনবগী মহুত্তা মীয়ামগী নুংঙাইনবা খনবা তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পি লম্লাই মন্দলনা শীন্দুনা শাবুংখোক কম্যুনিনিতি হোলদা পাঙথোকপা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলদা মীরেপ ওইরিবা ডা. আর কে রঞ্জনগী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পোলিতিকেল কনফরেন্সতা হায়, অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লাক্কদৌরিবা মীখল অসি য়াম্না অচৌবা শিংনবা অমনি। লমদম অসিদা য়াম্না ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা হিংবা পুন্সি অমা ওইহনগে হায়রবদি নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসি মখা তানা চৎখহনবা মথৌ তারি হায়খি।

মহাক্না হায়, মতম শাংনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা খাইবুং তান্নবগী ফিভম অমদা লাকপদগী মদু করম্না তাইশিন্নগদগে হায়না খনবা দি আর পি পি শেমদুনা মীখলদা থোরকখিবনি।

মদুগী তুংদা নিংবা থুংনা থবক তৌবা ঙমদবদগী কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকখি। অদুবু খনলম্বা অদু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙল্লক্তবা, তৌসি হায়বা থবক য়েংশি হায়দুনা মতম ঙাইরগা লৈরকপা থবক ওইনা উরক্তবা, চুরাচান্দপুরদা মী ৮ শিজিল্লকপা, থা অনী অহুম ব্লোকেদ তৌরকপা কয়া অসিনা থম্মোয়দা পেন্দবা লাকখি। লমদম অসিদা মীয়ামগী তেন্সন অসি অসুক্কী মতিক ৱাংখি।

লৈবাক কনসি হায়রবদি ইথৌদাং অমমম লৌমিন্নবা চংই। মীয়াম ওৎনৈবা, কিহন খংহনবগী পুন্সি মরেল অদু হোংদোকহন্নবগীদমক তাইবং মপু খুরুম্লগা চঙশিল্লকখিবনি।

পোকঙমদনা পোকপা মপোক অসিদা মী অমনা করম্না হিংগনি হায়খি। মহাক্কী লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমদবশিং অদু তেংথোখাল তাবা পামদবনা সি এম ঐচ টি হৌদোক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাঙলকখবনি।

মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা স্কিম কয়া হৌদোক্তুনা লৈবাক অসিদা অওনবা পুরকখ্রে। লমদম অসিদা লৈঙাক চুপ্লি পায়বদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎপা ঙমখ্রে।

নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা লৈঙাক অসিনা চখদুনা লাক্লি। মতম অমদা চীং অমসুং তমগী মরক্তা উন্নবা য়াদবা ফিভম অমদা লৈরম্বদু ঙসিদি মাঙখ্রে।

মতম অমদা কোংগ্রেস পার্টিনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা লমদম অসি মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরম্বা কয়া ঙসিদি লোইশিনখ্রে হায়খি।মতম অমদা লৈরম্বা অকিবা ঙসিদি লৈখদ্রে। ইমা কৈথেল নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা থোঙ হাংনরে। লৈঙাক অসি হৌজিক চৎলিবা ফিভম অসিদা চৎহনসি হায়রবদি বি জে পি লৈঙাক মখা তানা চখহনবা চংই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম এল এ কে এস ঐচ বিরেন, লমশাং কেন্দ্রগী এম এল এ এস রাজেন য়াওনা বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# লমদমসিদা ৱারিবসি লমদমসিদা মতিক চাবা মীরেপ থোক্লক্তবদগীনি হায়বা তোপিকতা দিবেট তৌনখ্রে

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

দিবের্টর্স য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা লমদমসিদা ৱারিবসি লমদমসিদা মতিকচাবা মীরেপ থোক্লক্তবদগীনি হায়বা তোপিক অসিদা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল দিবেট পাঙথোকখ্রে।

দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী প্রোফেসর ডা. এস লনচেনবা মীতৈনা ষ্টেট লেভেল দিবেট কম্পিটিসন অদুগী স্পিকর ওইখি। দিবেটর ১২না হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখি। দিবেটর ৬না তোপিক অদুবু সপোর্ট তৌখি, অদুগা দিবেটর ৬না তোপিক অদুগী ওপোজর ওইখি।

দিবেটর য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (দিয়ুএম) গী জেনরেল সেক্রেটরী এম কে রারোজ খাননা হায়, দিবেট পামজবা নহাশিংনা পুনশিল্লবা দি য়ু এম সি শেম্বনি। য়ুনিয়ন অসিনা মতম মতমগী ওইবা তোপিক নৎত্রগা ঈশুদা দিবেট শিনলি। নহাশিংগী মাইন্দ সেটতা অফ–ফত্ত খনথহনবগী পান্থে অসি দিবেটনা ওই। মরমসিনা লমদম অসিবু অফবা মাইকৈদা লমজিংনবগীদমক্তা মতম মতমগী ওইবা ঈশুদা দিবেট তৌগদবনি।

ঙসিগী অনীশুবা ষ্টেট লেভেল দিবেট অসিগী তোপিক অসি লমদমসিদা ৱারিবসি লমদমসিদা মতিকচাবা মীরেপ থোকলক্তবদগীনি। হায়রিবা তোপিক অসি মতমগা য়াম্না চুনৈ। হন্দক্কী ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিদা অফবা মতিকচাবা মীরেপ খননবগী এৱানেস অদু মীয়ামদা পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সি এ বিলগী মতাংদা নিংদোল পোম্নিঙাই লৈতেঃ এম তোম্বী

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এজেন্সি)ঃ

সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা থোইনা নিংদোল পোম্নিঙাই লৈতে। বিল অসি মণিপুরগী ওইনদি চৎনরোই হায়না মণিপুর দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্সকী কনভেনর অমসুং সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী প্রেসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সিবসেনাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, সি এ বিল অসি মণিপুর মীয়ামগী ইহুল খঙনা চীফ মিনিষ্টরনা ওল পোলিতিকেল পার্টিগী মীফম কৌরগা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং,য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা বিল অসি মণিপুরদা চৎনহন্দনবা তকশিনখিবনি।

সি এ বিল অসি হান্নদগী লৈবাক অসিদা চৎনদুনা লাক্লবা এক্ট অমনি। মতম শাংনা লৈরক্লবা মীওইশীং অমসুং বঙ্গলাদেশ, আফগানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানদগী লাকপা হিন্দু, সিখ, পার্সি, খৃষ্টান,জৈন বুদ্ধিষ্টশিংনচিংবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়াদা চহী ৬ লৈরবসি সিতিজেনশিপ পীবা য়াই হায়বগী ৱানি। কোংগ্রেস পার্টিগী মতমদা চৎনবা হৌরম্লবা এক্ট অমা শেমদোক্লবগী ৱাফমনি।

লমদম অসিগী মীয়ামগী ইহুল খঙনা হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পুথোকখিদবনি। বিল অসি পুথোকপা তারবসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি হায়খি।

বিল অসি অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎনগদবা লৈরবসু মণিপুরদা মসি চৎনহল্লোই হায়খি। নৌনা শেমগদবা বিল অসিদা মণিপুরগী তুংগী মীরোল কন্নবা প্রোভিজন অমা হাপকনি হায়বা ৱাফম লৈখ্রে হায়খি।

# এপ্রিল ১২দা শুমাঙ লীলা দে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০(এসএনএস)

মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল(এম এস এস এল সি)না শীন্দুনা এপ্রিল ১২দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা ‘শুমাঙ লীলা দে’পাঙথোকপগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা ইবৌয়াইমা এৱার্দ ২০১৯সু লানথোকলগনি হায়না কোন্সিল অসিগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ. হেমন্তনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ঙসি নুংথিল ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এস ঐচ. হেমন্তনা মখা তানা হায়,‘শুমাঙ লীলা দে’অসি ভেন্যু অহুম পাঙথোক্কনি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শংলেদনা নুমিৎ অদুগী মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা ইমিনেন্ট থিয়েটর দাইরেক্টর ডা. রতন থিয়ামনা অথোইবা মীংথুলেন,পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নাবনা থৌরম মপু ,আর্টকী কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডাইরেক্টর এ. শিবদাস শর্ম্মা অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একদামিগী সেক্রেটরি এল. কিশ্বর্জিত সিংহনা ইকাই–খুম্নরবা মীথুং ওইগনি। ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শংলেন্দদা নুমিৎ অদুগী (এপ্রিল ১২) অয়ুক পুং ৭ তগী ১১ ফাওবা শুমাং আর্টিষ্টশিংগী ফ্রি মেদিকেল কেম্পসু পাঙথোক্কনি। হায়রিবা মেদিকেল কেম্প অদু মপুং ওইনা ইবোয়াইমা হোস্পিটালগী মীওইশিংনা পাঙথোকপিবনি। নুমিৎ অদুদা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা ফেলোসিপ(মেদিয়া)সু লানথোমচগনি। সিনাম পিনকি দেবী দা হায়রিবা ফেলোসিপ অসি লানথোক্কনি। লোয়ননা নুমিদাং পুং ৪ চৎপদা সনালৈবাক নচোম আর্টিষ্টকী ‘অহিংদা নুমিৎ’সু মীয়ামদা উৎকনি।

ক্যামগৈ মমাঙ লৈকাই খাগী ক্লবতসু নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০দা লীলা পাঙথোক্কনি ।

# পোলিং পার্সোনেল পূম্নমক পোলিং ...

*লমায় ১গী মখা*

পার্সোনেল ১০ য়াওনা পোল্লিং পার্সোনেল ২০০ রোমনা মথৌ তৌগনি। জিরিবাম এ সিগী ওইনা পুন্না ভোটর মশীং ২৭,৩৭৯ নি। অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪০গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ২ দি ওল ৱুমেন পোল্লিং ষ্টেসন ওইগনি।

ঙসি মীখলগী মথৌ তৌনবগীদমক চৎখিবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অদুগী মদুংনা ৪০ / ১৬ বোরোইখাল অমসুং ৪০ / ১৭ বাবুখাল পোল্লিং ষ্টেসন অসিদি হিদা ওইনা চৎখি। মীখল অসি মপুং ফানা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা মপুং ফানা ঙাক শেনবগী থবক চখরি হায়রি।

মীখল অসিগীদমক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মীখলগী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্টিশিং ঙসি খোঙশানখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ২২০দা ভোট থাদনগনি লোয়ননা পোল্লিং পার্সোনেল ১১০০ শিজিন্নগনি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মীখলগী মথৌ তৌগদবা মীওইশিং মখোয় মখোয়গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংখ্রে। মীখল অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ভোটর ১,১০,০৮০না ভোট থাদনগনি। অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬২ গী মনুংদা সালেম, য়াইখোঙপাও অমসুং তুম্নৌপোকপী পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসি মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা নুপী পোল্লিং পার্সোনেল ঙাক্তনা মথৌ তৌগনি হায়রি।

অহানবা অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগীদমক সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স কম্পনি ৯০ রোম শিজিন্নরিবনি। মীখল অসিদা মথৌ তৌবদা অশোক অপন নংবশিংগীদমক লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়রি।

মীখল অসিগীদমক ক্রিটিকেল অমসুং ভর্নরেবল ওইবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং লাইভ ৱেবকাষ্ট তৌবা নৎত্রগা ষ্টেটিক ভিদিও রেকোর্দিং তৌগনি হায়খি।

# এপ্রিল ১৩, অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তমগনি

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা অয়ুক্কী পুং ৭দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না নাওরেম ইবোহনবী (৬৭) না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা নাওরেম ইবোহনবীনা মখাতানা হায়, থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বা য়াহনবীয়ু হায়দুনা মীওই ৮না পেটিসনর্স ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পেটিসন অমা থাখি। এপ্রিল ৫দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হায়রিবা রিট পেটিসন অদুগী জজমেন্ট এন্দ ওর্দর পীবিরে। এপ্রিল ১৩, অথৌবশিংগী নুমিৎতা অয়ুক্কী পুং ৬তগী নুমিদাইৱাইরম ৫ ফাওবা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বা য়াগনি হায়দুনা ওর্দর পিবিরক্লে।

এপ্রিল ১৩গী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ৯গী ইমুং–মনুং, মরী–মতা, শাগৈ নাতৈ, মরুপ–মপাং অমদি মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না নুমিৎ অসিদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বা য়াওবিয়ু।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, এপ্রিল ১৩গী ‘কোদোম্পোকপী থৌদোক অদু ঙসিসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। থৌদোক অদুগী মতুংদা, মণিপুর মার্টিয়র্স কম্মিটিনা লৈখিদ্রবা পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা খুভম অমা ওইনা থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা মণিপুর মার্টিয়র্স কমপ্লেক্স শেমগৎতুনা থমখি। মফম অসিবু থৱায় হাপ্তুনা কমপ্লেক্স অসিগী মাইকৈ মরিদা মণিপুরগী অথৌবা বির তিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল, মেজর পাওনা ব্রাজবসি, মীয়ামগী লুচিংপুরেল হিজম ইরাবোতকী মিতমশিংনা চিংলেম্না লেপ্তুনা লৈরি। ময়াইদা মীয়াম্না মশক মমিং খংখিদ্রবা য়াওনা লৈখদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী নিংশিং খুভমদা অঙানবা থৱানমিচাকনা মশেক মঙাল ওইরি। মফম অসি মরৈবাক মরমদম নুংশিবশিংগী পাঙ্গল শাগৎফমনি, মসিদনি মীয়াম্না পীরাংগা লোয়ননা হৈকৎ–লৈকৎ তমনরিবা। মহৌশাগুম্না অথৌবা–অথৌবশিংগী কৎথোকপগী হকশেল লৈত্রবা মপাওবু পিরি। মৈরা পাইবী ইমা ইবেল , ইচে– ইচল, ক্লবকী ইচিন–ইনাওশিং, মহৈরোইশিং অমদি লমদমসিগী নুংশিজরবা ফুরুপচাশিংগী মীওই খুদিংমক্না খুভম অসিদা হৈকৎ–লৈকৎ তমবদা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা য়ুমথোং খুদিংদা য়াচংলকপা মতমদা থোংগালদা মৈরা কাৎপীয়ু। মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং অমত্তা ওইনা নিংশিংমিন্নসি । হৈকৎ–লৈকৎ তমজবা লাকপা মীওই অমত্তদা অকি–অখং পীবিগনু লোয়ননা নুমিৎ অসিদা মতম অমতগী বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবসু তৌবিগনু হায়না এপিল তৌরক্লি।

পাউগী মীফম অদুদা, এপ্রিল ১৩গী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীওইশিং অমদি মরী–মতাসু শরুক য়াখি।

# বি জে পি লৈঙাক্না মীয়ামগী মায়োক্তা লৈরোইঃ সি এম মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাউ পার্টিগী লুচিংবশিংনা তাবিরে

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

বি জে পি লৈঙাক্না মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা কৈদৌঙৈদা লৈরোই । মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মীয়াম্না য়েলহৌমী কন্নবগী মতাংদা লাওখিবা খোল্লাউ কয়া বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তাবিরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, সি এ বিলগী মতাংদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনগদবনি, ঙাক শেনগদবনি, সি এ বিলনা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম্বু শোকপা য়ারোই হায়না লাওখিবা খোল্লাউ অদু পার্টিগী নেসনেল লিদরশিংনা তাবিরগা মেনিফেষ্টোদা মপুং ফানা হাপ্পীরক্লে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মেনিফেষ্টো অসিগী ইন্দিয়া ফার্ষ্ট হায়বা কলম অদুগী সেরিয়েল ৭ শুবদা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিতিজেন্স (এন আর সি) অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা প্রাইওরিতি ওইনা পায়খৎপগা লোয়ননা য়েংশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লি। মসিগা লোয়ননা এন আর সি অসি তাঙ্কক নাইনা লৈবাক অসিগী মফমশিংদা চৎনহন্দুনা মীতোপ খন্দোকপগী থবক চখনবা হোৎনগনি হায়না পনলি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা আইন কায়না মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা থবক মখা চখখিগনি। মণিপুর লৈঙাক্না সেন্টরদা এন আর সি তৌবিনবা চে ইদুনা হায়জখিবা লৈখিবনি।

সি এ বিল অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী মীয়াম ঙাক শেন্নবা প্রোভিজন য়াওদে হায়বনচিংবা লাওদুনা লাকপা অদু তাবিদুনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপান্বা মতুংইন্না নোৰ্ঠ ইষ্ট মীয়ামগী লিঙ্গুইষ্টিক, কলচরেল অমসুং সোসিয়েল আইদেন্টিটি অদু নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমগনি হায়বা ৱাফম য়াওরিবনি হায়খি।

লমদম অসিগী অপীকপা ফুরুপশিংদা ফাওরিবা অকিবা অদু ঙাক শেনবগী ৱাফম অদু মেনিফেষ্টোদা মপুং ফানা পল্লে। সি এ বিলগী এরিয়াদদা নত্তনা দিভলপমেন্ট ওফ নোৰ্ঠ ইষ্টকী সেক্সনদা সেরিয়েল নম্বর ২৯ শুবদা নোৰ্ঠ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী তোপতোপ্পা লিঙ্গুইষ্টিক, কলচরেল অমসুং সোসিয়েল আইদেন্টিটি অদু নিংথিনা ঙাক শেনগনি হায়বা ৱাফম ময়েক শেঙনা য়াওরে হায়খি। লমদম অসিগী মহৈরোই লুপশিং, মীয়াম, ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং, সি এস ওশিংনা লাওখিবা খোল্লাউ অদু তাবিদুনা মীয়ামগী অপাম্বা অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীবা অসি মীয়ামগী হোৎনজমনগী মহৈনি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী মণিপুরগী মীয়ামগী মরম চাবা দিমান্দগী মায়োক্তা মণিপুরগী বি জে পিনা লৈরোই । মীয়ামগা লোয়ননা ইশুশিংদা পুন্না চৎকনি। য়েলহৌমীশিং কন্নবগী ৱাফমদা চপচানা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ঙাক শেলহনগনি হায়খি।

বিল অসিগী মতাংদা মীয়ামগী পুক্নিংদা বিল অসি চৎনদুনা লমদম অসিদা মীতোপশিং চঙশিল্লকপা তারবদি করম্না লিঙ্গুইষ্টিক, কলচরেল অমসুং সোসিয়েল আইদেন্টিটি করম্না ঙাকপদি লায়রদুনা মরোমদোম মাঙজখিগনি হায়বসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হান্না পাস তৌখিবা বিল অদুদি লাপস চৎখ্রবনি।

বিল অসি পুথোক্কনি হায়রিবনা মসি নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌরবা মতুংদা পুথোরক্কদবা ওইবনা মসি নৌনা লমদম অসিগী আইদেন্টিটি ঙাক্না প্রোভিজন অদু শোয়দনা হাপ্লগা শেন্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# থাঙমিনলিয়েন কিপগেনদা কেস লৌখৎনবা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

বি জে পি মীরেপ ঐচ সোখোপাউ মাটেবু দিসক্কালিফিকেসন তৌবিনবা সি ই ওদা ৱাকৎখিবা এন পি পিগী মীরেপ থাঙমিনলিয়েন কিপগেনগী মথক্তা লান্না পাউ শন্দোকপগীদমক এফ আই আর লৌখৎপীনবা দি জি পি মণিপুরদা ৱাকৎখ্রে। এন পি এফকী মীরেপ ডা. লোরহো এস ফোজেবু দিসক্কালিফিকেসন তৌবিনবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদা ৱাকৎখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা বি জে পি মীরেপ ঐচ সোখোপাউ মাটেনা দি জি পি মণিপুর প্রদেশতা পীখিবা অহবা চেরোল অমদা থাঙমিনিলিয়েন কিপগেননা লান্না পাউ শন্দোক্তুনা অমসুং কে এন ও। কে এন এগী শেমজিন শাজিন্নবা চেশিং শিজিন্নদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা অমসুং মহাক্কী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরগা মীখল অসিদা মহাক্কী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়না মরাল শিরি।

মসি মীখল অসিদা মহাক্কী মায়কৈদা মীয়ামদা ভোট পীহন্নবা লৌরকপা খোঙথাং অমনি। কনাগুম্বা অমত্তদা সোখোপাউ মশানা মী অমত্তদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবা অমত্তা মীখলগা মরী লৈননা শিজিন্নবা লৈতে হায়খি। মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং অমত্তা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ অমত্তগা মরী লৈনদে হায়রি। মরম অসিনা থাঙমিনলিয়েন কিপগেনগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা এন পি এফকী ডা. লোরহো ফোজেবু দিসক্কালিফাই তৌবিনবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈন্দগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদা ৱাকৎখ্রে।

পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম অশ্নিকুমার অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন টি ঐচ সত্যব্রত্ত সিংহনা খুৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা খুৎলায় পায়বা লুপ এন এস সি এন–আইএমনা খুৎলায় পায়দুনা কোয়না চৎপগা লোয়ননা ভোটরশিংদা এন পি এফকী মীরেপ ডা. লোরহো ফোজেদা ভোট পীনবা মীয়ামদা কিহন খংহনবগী থবক চখরে।

এন এস সি এন আই এমগী কাদরশিংনা সিজ ফয়ারবু লান্না শিজিন্নরগা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী থবক চখরি।

মাও, কারোং, তদুবী, কামজোং, তমেংলোং, নুংবা, তামৈনচিংবদা লৈরিবা মীয়াম্না এন এস সি এন–আই এমগী কাদরশিংনা কিহন খংহনবগী থবক চখবা অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎনিংলবসু মখোয়গীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা করিগুম্বা মতেং অমত্তা পাঙবীদে।

ফিভম অসিদা ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইবা মীখল অমা ওইরোই হায়বগী থাজবা লৈবনা ডা. লোরহোগী মীরেপচে অদু ককথৎপীয়ু হায়না ৱাকৎলি।

# মেজর চম্বা লৈখিদ্রে ঃ এন আর এফ এম

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

নেস্নেল রিভোলুস্নরী ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গী মেজর চম্বা থাঅসিগী ৮দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরদুনা লৈখিদ্রে হায়না লূপ অসিগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনাজাওবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মেজর চম্বা কুমজা ১৯৭২ দিসেম্বর ১১ দা থাঙ্গচীংখা মমাঙ লৈকাইদগী হৈস্নাম বিহারী অমদি হৈস্নাম ওংবী য়াইমবী অনীগী মচা নুপা মরি, নুপী অমগী অহুমশুবা মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। থাঙ্গদা হায় স্কুলগী থাক লোইশিল্লগা মোইরাং কোলেজদা পি য়ু সি লোইশিনখি। শান্নবা পাম্না হৌরকখিবনা তাইক্লুন্দো দা নেস্নেলগী থাক্তা মরিরক শরুক য়াম্মী। ঐখোয় নীংতমগদবদগী মণিপুরনা ইনিদয়াগী ফীবানুংদা করিগী লৈরিবনো হায়রিবা ৱাহংশিং অসিগীদমক লম্বী থিদুস্তনা লৈবাদগী ইরমদগী লাল্হৌলুপ কয়াগী মতেং পান্দুনা লাকপদা ৱাখলগী অনীংবা মপুং ফানা ঙল্লক্তদুনা কে সি পিগী লানলোই ওইনা য়ূম থাদোকপা হৌখি। মদুগীদমক কুমজা ২০১০দা মণিপুর পুলিসনা ফাদুনা এন এস এ তাদুনা চহী অমা জেলদা লৈখি।

চেরোল অসিনা মখাতানা হায়, জেলদগী থোরক্লগা ইরমদম মণিপুরগী নীংতম লালহৌবগীদমক মায়পুনদবা য়াদে অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থৌনানা চিংদুনা এন আর এফ এমনা য়ু আর এফ ওইরিঙৈ ২০১২কী মার্চকী তাং ১৬তা পার্টিগী বেটচ কেম্পদা থুংলকখি। লূপকী থবক্তা শিঙ্খাবা য়াবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি । য়ু আর এফনা এন আর এফ এম মিং হোংনবগী থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। লোয়ননা এন আর এফ এমগী দিপার্টমেন্ট কয়াগী থৌ পুরম্মী নীংতম লালহৌগী লানলোই ওইনা পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা ইরমদমগী নীংতম্বা হঞ্জিনবগী ৱাখল থাদোখিদ্রবা মেজর চম্বা না পামজরম্বা ইমরদমগী মুনবিখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিনবা হায়বসি ঙম্নবা লূপকী খোঙচৎ ওইগনি হায়না এন আর এফ এমনা মেজর চাম্বগী মফমদা নীংতম লালহৌগী ইকায় খুম্নবা পীরক্লি হায়না লূপকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনজাওবা মৈতৈনা মেদিয়াদা খঙহল্লক্লি।

# দিসক্কলিফাইদ তৌবা লৈতে ঃ সি ই ও

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)

আউটর অমশুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখলদা কেন্দিদেট ওইগদবা মীওই অমফাওবা হৌজিক ফাওবগী দিসক্কালিফাইদ তৌবা লৈতে হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার পি কে সিংহ না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম লমফেলপাৎতা লৈবা সি ই ওগী ওফিসতা পাংথোকপা পাউগী মীফমদা পি কে সিংহ না মখা তানা হায়,সোসিয়েল মেদিয়াদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পি গী কেন্দিদেট ওইরিবা বেঞ্জামিন মাতেগী মথক্তা কনাগুম্বা মীওইনা সি ই ও গী খুৎথাংদা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী বি জে পিগী কেন্দিদেট দিসক্কালিফাইদ তৌখ্রে হায়না শনদোকলিবসি অরানবনি। হৌজিক ফাওবা কেন্দিদেট অমতা দিসক্কালিফাইদ তৌবা লৈত্রি। বি জে পি গী কেন্দিদেট দিসক্কালিফাইদ তৌখ্রে হায়বসি পুম্নমক অরানবা পাউনি হায়না শেংদোকখি।

মহাক্না হায় পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কনাগুম্বা কেন্দিদেট অমগী মথক্তা কমপ্লেন তৌরকলবদি সি ই ও না মরী–লৈনবা আর ও দা চেইদুনা হিরমদুগী মতাংদা খঙহনখি। আর ও অদুনা হিরমদুগী মতাংদা ইনক্করী তৌগদবনি। কেন্দিদেট শিংগী স্ক্রুটিনি লোইদুনা মীরেপ অমতা সি ই ও নৎত্রগা আর ও না দিসক্কলিফাইদ তৌবা ঙমদে।

মরম অসিনা অরানবা পাউ সোসিয়েল মেদিয়াদা শন্দোকপিগনু। লোয়ননা অরানবা পাউসু থাজবিগনু হায়না অপিল তৌখি মহাক্না হায় হয়েংগী মীখল অসি অয়ুক পুং ৭ তগী ভোট থাদবা হৌগনি। মীখল অসি ফ্রি এন ফিয়র ওইনা পাংথোক্কনি হায়নসু মখা তাখি।

# য়ূমদা নোংমৈ কাপশিল্লস্লে, ৱাকৎ মীফম চখখ্রে

ইম্ফাল ,এপ্রিল ১০(এসএনএস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোম্পাট পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অৱাং লৈকাইদা লৈবা এমদি মিলন খান (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুমারউদ্দিনগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.১০ রোম তাবা মতমদা নোংমৈ মরু খরা কাপশিন্দুনা এটেক্ট তৌরস্লে।

নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা য়ুমগী ফক্লাংদা নোংমৈ মরুনা পাল্লগা ফাওজিল্লক্তুনা ইমুংদা লৈবা চাক থোংনবা প্রেসর কুক্কর অমা অমসুং ৱাটর ফিল্টর অমদা পান্দুনা অকায় অতোই থোকখি। লাইবক ফবদগী ইমুংগী মীওই অমত্তা অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদা ফোঙদোক্তুনা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অৱাং লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংনা লৈকাই অসিদা ৱাকৎ মীফম চখ–খ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদু মিলন অমসুং ইমুং–মনুংগী মীওইশিংবু লাইফ এতেম্প তৌবনি। থৌওং অদু কানানা করিগীদমক চখখিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোকপিয়ু হায়বা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

# তরাহুমদোইশুবা মমি–নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা শীন্দুনা ঙসি কোনুং মমাঙদা লৈবা সোসাইটি অসিগী ওদিটোরিয়মদা ১৩শুবা মমি–নুমিৎ ২০১৯ পাঙথোকখ্রে, লোয়ননা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱাদশিংসু লানথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা গোভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু (আই এ এস) না অথোইবা মীথুংলেন, এক্তর কাঙবম তোম্বনা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওফ ওনর, ফিল্ম ফোরম, মণিপুরগী চীয়রমেন এন মাঙ্গোলজাও সিংহনা ইকাই খুম্নবা মীথুং অদুগা আর্ট এন্দ কলচর, গোভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমার সিংহ, আই এ এসনা থৌরম মপু ওইখি।

এম এস এফ দি এস কী সেক্রেটরী এ সিবদাস শর্ম্মনা থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, এম এস এফ দি এস না হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী মমি–নুমিৎ অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দশিং পীদুনা মণিপুর সিনেমাবু পূক্নিং থৌগৎপগী থবক পায়খৎলকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা অমনি। মণিপুরী সিনেমাবু হো চাউখৎহন্নবগীদমক্তা মণিপুর সিনে পোলিসি অমদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী পান্থৈশিংবু নীংথিনা শীজিন্নবসু মথৌ তাই।

এক্তর য়েংখোম রোমা দেবীদা এম এস এফ দি এস লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীখি। হায়রিবা এৱার্দ অদুদা লুপা লাক্ষ ১ গী কেস এৱাদ, সাইটেসন, মেমেন্টো অমদি সোল য়াওই।

মণিপুর ফিল্মগী লময়ানবা লৈখদ্রবা মীওই কয়াগী ফোটোদসু লৈকৎতুনা ইকাই খুম্নখি। লোয়ননা কেটেলোগ ফোর এম এস এফ এ ২০১৯ সু রিলিজ তৌখি।

# থাও থিরিবা কন্ট্রেক্টর ...

*লমায় ১গী মখা*

চীফ উতপাল বোরানা রোহিট অগরৱালগা লোয়ননা লাক্তুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ইমরজেন্সি মীফম অমা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখি। হৌজিক চখরিবা টু দি সুট্টিংগী থবক অসি প্রেট্রোলিয়ম মিনিষ্ট্রিনা য়াম্না থাজনা লৈবাক অসিগী থাওগী পোখোক হেনগৎহন্নবগী মায়কৈদা চঙশিল্লিবা নেসনেল সিসমিক প্রোগ্রাম ( এন এস পি) গী শরুক অমনি।

অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকীদি টু দি সুট্টিং অসি লোইশিন্দুনা মার্চ থাদা ওইল ইন্দিয়ানা টু দিগী অহানবা সেট রুশিয়াদা থাদুনা প্রোসেসিং অমদি ইন্টরপ্রিটেসন তৌনবা থৌরাং তৌখ্রবনি। ইন্দিয়ানা মসিগী রিভাইস এন ঐচ পি গী মনুংদা লাইন কিলোমিটর ৬০৩২ গী টু দি তৌগদবদুগী চান্মদা ৬৮ লোইশিনবা ঙমখ্রে।